এম য়ুদা হ্যুমেন রাইটস দে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচএনএস): ঙরাং মালেমগী মফম পূম্নমক্তা পাঙথোক্লখিবগুম মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদসু মহৈকোল অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ লো সেন্টর ফোর হ্যুমেন রাইটস এন্দ দ্যুটিজ এদ্যুকেসননা পূন্না শীন্দুনা ইন্টরনেসনল হ্যুমেন রাইটস দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

রিকোভর বেট্টর-ষ্টেন্দ অপ ফোর হ্যুমেন রাইটস হায়বা থিমগী মখাদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু ঙরাং নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১০ তারকপদগী হৌখি। অদুগা মহৈকোল অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ লোগী লেকচর হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সেন্টর ফোর হ্যুমেন রাইটস এন্দ দ্যুটিজ এদ্যুকেসনগী দিরেক্টর প্রোফেসর এন লোকেন্দ্র, স্কুল ওফ সোসল সাইন্সকী দিন প্রোফেসর এস মঙ্গি, মণিপুর ষ্টেট হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী হান্নগী মেম্বর এন জি নোংয়াই, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী রেজিষ্ট্রার প্রোফেসর দল্লিয়ু চান্দবাবু অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ লোগী হেদ ডা. ৱাই প্রেমানন্দনা প্রেসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইদুনা শরুক য়াখি। লোয়ননা দিপার্টমেন্ট ওফ লোগী হেদ অমসুং এসোসিএট প্রোফেসর ওইরিবা ডা. য়ুম্নাম প্রেমানন্দনা থৌরম অসিগা মরী লৈনবা নুংগী ৱারোলশিং ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ঙসি নুংথিল পুং ২ রোম তারকপদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টাফ এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট সোইবম জিবনকুমারনা চেয়র লৌদুনা এসোসিএসন অসিগী এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী ইমর্জেন্সি মীটিং অমা পাঙথোক্তুনা হৌজিক লৈরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেলরগী ফম হাঙলিবা অসিগী মতাংদা খন্নরগা ৱারেপ ৩ লৌখ্রে।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	89.465604
US Dollar	73.776996
British Pound	97.167511
Australian Dollar	55.529845
Chinese Yuan Renminbi	11.268634
Japanese Yen	0.708671
Malaysian Ringgit	18.210888
Singapore Dollar	55.190345
South Korean Won	0.067504
Saudi Arabian Riyal	19.673866
Thai Baht	2.451752
Myanmar Kyat	0.05555
Bangladesh Taka	0.87000

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	49264.00
Mumbai	–	Rs	49200.00
Delhi	–	Rs	49172.00
Kolkata	–	Rs	49505.00

GAS NEWS

M/s K&K INDANE SERVICE
Booking upto sl.no.50 A&B of 09/11/2020
Valid from : 03/11/20
Time : 7.30 to 11am
M/S R &H INDANE SERVICE IRILBUNG
Only Home Dellivery
Booking Upto : 17/09/2020
Valid from 24/08/20
Stock : 306 Nos.
Home Dellivery &Booking
Contact Nos 8413936705/8414824977/9366013547/8132036940
Call Timing 8.30 to 12 Noon
TANGLEI GAS OINAM
V/f : 23-10-20
Stock : 306
7am to 10am
MAHALAKSMI INDANE GAS
Bk. upto : 7-11-2020
valid from : 28-10-2020
Home delivery only
Cont. Timing - 8 am to 11 am.
For Office plz cont. # 9862312969 # 8414929709,
For home delivery plz cont. 8414944010, 7005573790, 9366735870,
Booking : After 15 days from delivery.
M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto14.2kg-02/12/2020
Valid from : 02/11/2020
***19kg Available
For delivery service
Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM
SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK
BOOKING UPTO : 18-10-2020
VALID FROM 13-10-2020
STK : 306
TIME 7:00 -10:00
HOME DELIVERY DATE 12-12-2020
CONTACT NO 7005695308, 6009772483
CANCHI INDANE SERVICE
BOOKING UPTO : 03/11/20
VALID FROM : 27/10/20
19kg AVAILABLE
TIMING 08.00 to 10.00am
IMPHAL LPG SERVICE
Home Delivery
Booking : 06/12/20
Summit house no. LPG ID no Address with land mark also digital transaction and online payment encouraged
5.kg 19.kg available
Enquiry numbers 6009392991 8014389420, 9612718751
Enquiry time 8.30 to 1.pm
Please do not contact driver and handy man except office no i.e. office no
HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 28/10/2020
BOOKING UPTO: 04/11/2020
BOOKING ONLY: 03852444677
ENQUIRY ONLY: 9436280866
TIMING: 8:00AM to 12:00PM
TDK GAS
BK. UPTO : 12/10/20
VF.10/10/20.
HOME DELIVERY
ONLY CONTACT NO:6909614353/8731992324

‘লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা মহৈরোয়শিং এনরোল তৌবগী চাং হেনগৎহন্ননবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহনবা য়াম্না মথৌ তাই’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা তম্ফাসনা গার্লস (টি জি) হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা স্কুল ফগৎহনসি মিসন হৌদোকখিবগা লোয়ননা মহৈরোয়শিংদা ইন্সেন্টিভ এৱার্দশিং য়েন্থোকখ্রে।

দিপার্টমেন্ট ওফ এদ্যুকেসন (স্কুলস), সমগ্রা সিক্ষা মণিপুর অমসুং বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (বোসেম)না শীন্দুনা বোসেমনা লৌবা ঐচ এস এল সী এগজামিনেসন ২০২০গী ৪৮শুবা এন্যুএল প্রাইজ দিষ্ট্রিব্যুসন অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ এদ্যুকেসন (এস)কী ইন্সেন্টিভ এৱার্দ সেরেমোনি ২০২০ দা চীফগেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, অফবা মহৈরোয়শিংদা এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম অসি চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা ইম্ফাল ইষ্টকী অন্দ্রো এ সীদা লৈবা মোইরাংপুরেল হায় স্কুলদা লোঞ্চ তৌখিবা স্কুল ফগৎহনসি মিসনগী শরুক অমনি। এৱার্দ অসি গভর্ণমেন্ট স্কুলগী মহৈরোয়শিংবু পূক্লিং থৌগৎতুনা মহৈ-মশিন তম্বদা হেন্না কন্না হোৎননবা অমদি মরুওইবা এগজামিনেসনশিংদা অচৌবা মায় পাকপা পুরক্নবগী পান্দমদা পীরিবনি।

মহাক্না হায়খি, লায়রবা ইমুংগী মহৈরোয় কয়ানা প্রাইভেট স্কুলশিংদা মহৈ তম্বদা ফি ষ্ট্রকচরনা মরম ওইদুনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। লোয়ননা ইমুং-মনুংগী শেল-থুমগী ফীভমদসু খুদোংচাদবা মায়োক্নহনবগা লোয়ননা ইমুং অদুদা তাঞ্জরিবা শেল-থুম পুন্নমক য়াল্লবা শেনফমগী ফি থিবদা শীজিন্নরি। মরম অসিনা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা মহৈরোয়শিং এনরোল তৌবগী চাং হেনগৎহন্ননবা লৈঙাক্কী স্কুলশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং ফগৎহনবা মথৌ তাই। মসিনা লায়রবা ইমুংশিংনা থেংনরিবা শেল-থুমগী অৱাবা অসি কোকহনবদা মতেং ওইগনি।

মিসন অসি লোঞ্চ তৌখ্রবা মতুংদা গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংদগী মহৈরোয়শিংনা পোজিসন লৌবগী মশীং হেনগৎলকপগা লোয়ননা এনরোল তৌবগী চাংসু হেনগৎলক্লে। অফবা মহৈরোয়শিং হেন্না পুথোক্ননবগীদমক ওজাশিংনসু হেন্না কথোক্তুনা থবক তৌবীয়ু। গভর্ণমেন্টনসু মথৌ মশক খঙনা থবক তৌরিবা ওজাশিংবু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা এৱার্দ পীগনি। তুংগী য়ুম্বী ওইরিবা মহৈরোয়শিংনসু মহৈ-মশিন তম্বদা পূক্লিং চঙনা অমদি কন্না হোৎনবীয়ু। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু স্কুলশিং ফগৎহন্নবা অমদি মহৈরোয়শিংদা এদ্যুকেসনগী মঙাল নীংথিনা ফংহন্ননবা অঙন্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখিবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেননা হায়খি, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লীচিং মখাদা লৈঙাক অসিনা স্কুল ফগৎহনসি মিসনগী মখাদা এদ্যুকেসন সেক্তর অসিবু চাউখৎননবা অঙন্বা থাক্তা হোৎনরি। মিসন অসিনা স্কুলশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহনবদা অচৌবা রোল লৌবগা লোয়ননা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা মহৈরোয়শিং এনরোল তৌবগী চাং হেনগৎহল্লে। নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসীগী মতাংদা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অথুবা মতমদা পাঙথোক্তুনা মীয়ামদা অনৌবা পোলিসী অসি ফংহন্ননবা থবক পায়খৎলগনি হায়নসু এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎ, ৱাংজিং তেন্থাগী এম এল এ পাওনম ব্রোজেন, জিরিবামগী এম এল এ অসবউদ্দিন, এদ্যুকেসন (এস)কী কম্মিস্নার টি রঞ্জিৎ, সেক্রেটরি টু সী এম নিংথৌজম জিওফ্রি, ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি সী নাওরেম প্রবিন, এদ্যুকেসন (এস)কী দিরেক্টর এল নন্দকুমার, বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (বোসেম), কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (কোসেম) অমসুং এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিং, ওজাশিং অমদি মহৈরোয় কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা হায়র সেকেন্দরি এগজামিনেসন (ঐচ এস ঈ) ২০২০ অমসুং হায় স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট এগজামিনেসন (ঐচ এস এল সী ঈ) ২০২০ দা পোজিসন লৌরকখ্রবা লৈঙাক্কী স্কুলগী মহৈরোয়শিংদা ইন্সেন্টিভ এৱার্দসু খুৎশিন্নখি। হায়রিবা এগজামশিং অসিদা দিষ্ট্রিক্টকী থাক্তা টোপ্পর ওইরক্লবশিংদসু এৱার্দশিং পীখি।

‘মণিপুরদা জন্যুৱারীদগী কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপ্পবা থৌরাং তৌরি’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১০ (ঐচএনএস): গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী এদভাইস মতুংইন্না কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন মণিপুর লৈঙাক্না জন্যুৱারীদগী কাপ্পবা থৌরাং তৌরি হায়না প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হেল্থ) ভুমলুন্মাংনা ঙসি লম্ফেলদা লৈবা দিরেক্টোরেট ওফ হেল্থকী ওফিসতা পাঙথোকপা চয়োলগী ওইবা পাউমীশিংগা উনবগী থৌরম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়, অহানবগী ওইনা ইন্দিয়াগী কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন মীওই লাখ ২ হেন্না কাপকদৌরিবা অসিদা মণিপুরগী ওইনা মীওই ৪১,০০০ রোমদা হান্না কাপকনি। কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপকদৌরিবা মীওইশিং অদুদি হৌজিক মায়োক্নরিবা পেন্দমিক অসিগী মায়োক্তা ফ্রন্ট লাইনদা থবক তৌরিবা অমদি সোসল ৱেলফ্যেরগী মীওইশিংনি হায়রি।

কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপকদৌরিবা মীওইশিংগী মশীংনচিংবগী লিষ্টশিং হৌজিক শেম্বগী থবক কন্না চথুরি। মসিদা লৈঙাক্কী হোস্পিটালদা হেল্থ ক্যের ৱার্কর ওইরিবা মীওই ১৩৮ অমদি প্রাইভেট হোস্পিটালশিংগী হেল্থ ক্যের ৱার্কর ১০৮গী মমিং মথাশিং অপলোদ তৌবগী থবক চথুরি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট অসিদা হৌজিক কোল্ড চ্যেন পোইন্ট ১২৬ রোম লৈরে। মণিপুরদা মোবাইল এপ - ঈ ভি আই এম শীজিন্নদুনা ষ্টেট লেভেল অমদি দিষ্ট্রিক্ট লেভেলগী মোনিটর কন্না তৌরি। হোম আইসোলেসন অসিসু হৌজিক কনখৎহল্লে। ষ্টেট মিসন দিরেক্টর (নেসনল হেল্থ মিসন) বু চীফ লিদর ওইনা খল্লে। মেন্টেল হেল্প লাইনদগী ফোন তৌরগা হোম আইসোলেসন্দা লৈবা অনাবশিংদা হীদাক লাংথক পীবগা লোয়ননা পব্লিক কোল নম্বর ১০৮দা ফোন তৌরক্তুনা কনাগুম্বশিংনা পূক্লিং ৱাখলগী অৱাবা অমসুং অনাবশিংগী পাউ ফাওনৈ হায়খি।

নেসনল হায়ৱে নম্বর টুগী মাও গেট অমদি নেসনল হায়ৱে নম্বর ৩৭ ইম্ফাল জিরিবামগী গেটতা হৌখিবা মার্চ থাদগী লম্বী অনী অসিদা চঙলকপা পেসেঞ্জরশিং থর্মেল স্ক্রিনিং তৌখিবা অদু ইন্দিয়া লৈঙাক্কী প্রোটোকোল মতুংইন্না লেপ্তুনা চথুরি। লোয়ননা কোভিদ হোস্পিটালশিং অমদি নন কোভিদ হেল্থ ক্যেরদা হেল্থকী ম্যেন পৱার পীরি হায়খি।

কোভিদ এপ্রোপ্রিএট বিহেবিয়র ঙাকপা অসিনা লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোকপা ঙমগদৌরিবনি। লায়না অসি লাকশিন্নবা হোৎনবদা মীয়ামগী মতেং চঙলি। উখ্রুল দিষ্ট্রিক্তা মীয়াম্না ফেস মাস্ক শীজিন্নবদগী কোভিদ পোজিটিভ ওইবগী চাং য়াম্না হন্থরক্লি। হৌজিক চথরিবা সেরো সর্ভিলেন্স অসিনসু উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট অসি কোভিদ-১৯গী কেস হন্থরক্লে হায়বা খঙবা ঙল্লে। অদুবু সেরো সর্ভিলেন্সকী থবক অসিদি অদুম লেপ্তুনা চথুরি হায়খি।

মণিপুরদা হৌজিক মীয়াম্না ফেস মাস্ক উপ্পা হেনগৎলক্লি। চৎলিবা দিসেম্বর থা অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী চাং তপ্না তপ্না হন্থরক্লি। লায়না অসিগী ভাইরস অসি থিংবা ঙমদ্রিবা ফাওবদি ফেস মাস্ক উপ্পা অসি য়াম্না মরু ওই। মসিনা লোক খুবা অমদি ৱা ঙাঙবদা কোভিদ ভাইরস অসি থিংলি। লোয়ননা কোভিদকী ভাইরস অমবু মীওই অমদগী অমদা শন্দোকহন্দে। নিংথমথা চঙলকপগা লোয়ননা মীয়াম তিনবা মফমদা ফেস মাস্ক উপ্পা অসি য়াম্না মরু ওইরে হায়খি।

থৌরম অদুদা হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর কে রাজো, মণিপুর পুলিসকী ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস এলাংবম প্রিয়োকুমার অমদি রিমস, জে নিমসকী মীহুৎ অমমমসু শরুক য়াখি।

শ্রীমদ ভগবদ গিতা মণিপুরীদা হন্দোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচএনএস): ৱারধা য়ুনিভর্সিটিদগী রাষ্ট্রা ভাশা হিন্দি পাস তৌরকখিবদা নত্তনা গুৱাহাটি য়ুনিভর্সিটিদগী এম এ পাস তৌরকখিবী অসামগী হোজাই দিষ্ট্রিক্টকী গৌরনগরদগী য়ুম্নাম রেনুকানা অসামদা চোইনা তারিবা মণিপুরীশিংগীদমক শ্রীমদ ভগবদ গিতাবু মীতৈলোলদা হন্দোক্তুনা ফোঙখ্রে হায়রি।

মীতৈলোলদা হন্দোক্লবা লাইরিক অসি ঙরাং হোজাই দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লিবা গৌরনগর সংস্কৃট বিদ্যালয়দা অসাম মণিপুর সাহিত্য পরিষদনা শীন্দুনা ফোঙদোকখিবনি হায়রি। থৌরম অসিদা য়ুম্নাম রেনুকা শাস্ত্রিনা ইবা মহাক্কী শৈরেং লাইরিক ‘চল্লবী থম্মোয়’ সু ফোঙদোকখি হায়রি।

শক্লাইরবী অইবী অসি কোহিনুর ৱর্ল্ড বুক ওফ রেকোর্দসতা চনখ্রবীনি। অদুগা রিভর এন্দ ৱিমেন ওর্গনাইজেসন অসামনা সংস্কৃট লিটরেচরগী সমর্থ ভারতমগী মখাদা ভারত রত্না ববা সাহেব নেসনল এৱার্দ ডা. অম্বেদকর ফেলোসিপ পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রবী অইবীনি হায়রি।

মহাক জুলাই ২, ১৯৭৬তা অসামগী হোজাই দিষ্ট্রিক্টকী গৌরনগর কৌবা খুঙ্গংদা পোকখি হায়রি। মহাক্না শ্রীমদ ভগবদ গিতাবু মীতৈলোলদা হন্দোকপা অসিনা ব্রহ্মপুত্র অমদি বরাক তম্পাক্তা চোইনা তারিবা মীতৈশিংদা অহানবা তম্বা খুদোলনি হায়বগা লোয়ননা অইবী অসিগী মায়কৈদগী মখা তানা মীয়ামদা মহাক্কী খুদোলশিং মথং মথং তম্লকখিগনি হায়বগী থাজবসু লৈরি হায়রি।

কৌব্রুবু প্রোটেক্তেদ এরিয়া ওইহল্লকপদা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচএনএস) : শেংলবা কৌব্রু লাইফমলেনবু মণিপুর লৈঙাক্না থেংলবসু থেংনা প্রোটেক্তেদ এরিয়া ওইরে হায়দুনা লাউথোরকপদা শগোলবন্দ য়েংখোম লৈরক মচিন্দা লৈবা য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট, মণিপুরগী কনভিনর চবুংবম প্রেমচন্দ্রগী চেরোল অমনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা ন্যু ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস পার্টিগী প্রসিদেন্ট হৈখাম ফালগুন (ফালগুনি) লুৱাংনা ফ্রন্ট অসিদা য়াওরকপদসু তরাম্না ওকখ্রে হায়রি।

লৈখিদবা মশীং অনী হেনগৎলক্তুনা ...

লামায় ১গী মখা... দাইগ্নোষ্টিক্সতা ৬ থেংনখিবনি।

জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটভ ওইরবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৪৫, ইম্ফাল ইষ্টতগী ৪১, থৌবালদগী ৮, বিষ্ণুপুরদগী ১২, ককচিংদগী ২, তমেংলোংদগী ৫, তেংনৌপলদগী ৪, চান্দেলদগী ২, কাংপোকপীদগী ৩, সেনাপতিদগী ২ অমসুং চুড়াচান্দপুর ১২ য়াওরি। জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা মীওই খূদিংমক মণিপুরগী মপান্দা চৎলুদবা ঙাক্তনি। মীওইশিং অসিগী মথৌ তাবা মেদিকেলগী চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে।

নৌনা থেংনখিবা কেসশিং অসি য়াওরগা মণিপুরগী অপূনবা কেস মশীং ২৬,৮৫৯ শুরে। কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৩,৫৮১ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩২৭৮ নি। পোজিটিভ ওইরম্বদগী ফগৎলক্লবা কেস মশীংনা ২৩,৫৪১ শুরে। ফগৎলক্লবা কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২০,৬১১ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ২৯৩০ নি। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৮৭.৬৪ নি। অদুগা হৌজিক হৌজিক কেস ২৯৯৮ না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ ওইরিবা কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ২৬৫৪ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৩৪৪ নি। লোয়ননা মীওই ১৪৪ সু নৌনা দিসচার্জ তৌখ্রে হায়রি।

অমরোমদা আই দি এস পি মণিপুরদগী ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না হৌজিক হৌজিক মীওই ৮৩৭ হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরি। হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরমখিবা মীওই অনী কোভিদ হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা রিফর তৌখি হায়রি।

মিনিষ্ট্রিনা এম য়ুগী ভি সী ইন-চার্জ ...

লামায় ১গী মখা... ৱাফম অসিগী মতুংইন্না মণিপুর য়ুনিভর্সিটি এক্ট ২০০৫কী ষ্ট্যেট্যুট ২(৬)কী মতুংইন্না য়ুনিভর্সিটি অসিগী রেজিষ্ট্রারনা এম য়ুগী ভি সী ইন-চার্জ হাপ্পগী ওর্দর অমা লাল্লিবা নিংথৌকাবা নুমীৎতা থোক্লবা য়ানা লৈরে। অদুবু হৌজিকমক্কীদি ভি সী ইন-চার্জ অসি কনানা ওইগদগে হায়বদুদি চপ চানা হায়বা ঙমদ্রি।

পনবা য়াবদি, জর্নেল সিংহনা হৌখিবা নবেম্বর ৩০দা এদমিনিষ্ট্রেটর ওইনা থবক পায়রম্বদগী পোখাখ্রবা মতুংদা নুমীৎ ১০ নি হেন্না ভি সী লৈতনা য়ুনিভর্সিটি অসি চলাইদুনা লাকখিবনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু) অমদি মহৈরোয় লূপ কয়াসু হাঙদুনা লৈরিবা ভি সীগী ফম অসি অথুবা মতমগী মনুংদা মেনশিন্ননবা মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেসনদা তকশিন্দুনা লাকখিবনি।

মিনিষ্টর ওইরবা লুখোইগী প্রোজিক্যুসন সেঙ্কসনগী মতাংদা ...

*লামায় ১গী মখা...*ওফ মণিপুরনা লৌখৎপা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অদুগী নম্বরনা ৩৮ ওফ ২০২০ নি। লোয়ননা হায় কোর্টকী কেস অসিগী চীফ জষ্টিস রমালিঙ্গম সুধাকর অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী দিভিজন বেঞ্চনা থেঞ্জাং নাইনা চথরকখিবা ৱায়েলশিংগী মনুংদা কেস অসিগী পিটিসনগী এন্নেক্সর-পি/৪গী পেজ নম্বর ৫৩গী সেরিএল নম্বর-৭তা য়াওরিবা হৌজিক্না লৈঙাকসিগী মিনিষ্টর ওইরবা ২২-ৱাঙ্গৈ এসেম্বলী কন্সষ্টিট্যুএন্সিগী এম এল এ ওইনাম লুখোইগী প্রোজিক্যুসন সেঙ্কসনগী মতাংদা থা অসিগী ১৬তা পব্লিক প্রোজিক্যুটর (হায় কোর্ট)গী মায়কৈদগী রিপোর্ট পীরক্নবা খঙহনখ্রে।

কোর্ট অসিনা লৌখৎপা পি আই এল অসিগী মখা তাবা ৱায়েল চথুনবগীদমক হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা কেস অসি চীফ জষ্টিসনা লুচিংলিবা দিভিজন বেঞ্চ অসিগী আইটেম নম্বর- ৯দা লিষ্ট তৌখি। কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলদুনা পীখিবা ওর্দরনা অনলোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্টকী সেক্সন-৪৫(১)গী মতুংইন্না প্রোজিক্যুসন সেঙ্কসন লৌবদা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্স (এম ঐচ এ)গী পর্মিসন চঙবনা কেস অসিদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা মহুৎ শীনগদবা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াসু পার্টি রেস্পোন্দেন্ট অমা ওইনা য়াওহনগদবনি হায়খি। কোর্টকী রেজিষ্ট্রিনা ওর্দর অসিগী কোপী এসিষ্টেন্ট সোলিসিটর জেনরেল (এ এস জি) ওইরিবা এস সুরেশতা মেট্টর অসিগী মতাংদা ইন্সত্রক্সন লৌনবগীদমক পীনবসু দিভিজন বেঞ্চনা দিরেক্সন পীখি। লোয়ননা পি আই এল অসিগী কোপী, ওর্দরশিং অমসুং মিসেলিনস কেস পুম্নমক্কী কোপীশিংসু এ এস জি, এস সুরেশতা পীনবসু কোর্টনা রেজিষ্ট্রিদা দিরেক্সন পীখি।

নুমীৎ অসিদা দিভিজন বেঞ্চ অসিনা পীখিবা অতোপ্পা দিরেক্সন অমদা মণিপুর লৈঙাক্কী সেক্রেটরি (লো)গী মায়কৈদগীসু নবেম্বর ২৮, ২০২০ দা কোর্ট অসিদা সবমিট তৌরকখিবা এফিদেবিটতা পায়খৎলে হায়রকখিবগী মতুংইন্না সেফ এন্দ সেক্যুর ওইবা ৱিটনেস রুম থম্বগী থবক পন্থদনা পাঙথোক্লবা দিরেক্সন পীখি। দিরেক্সন অসিবু থবক্তা ওন্থোক্লে হায়বগী কমপ্লাইয়েন্স রিপোর্টনা জন্যুৱারী ১৪, ২০২১ ফাওবগী মনুংদা পীরক্কদবনি। মসিগী মতুংদা মখা তানা মতম পীররোই হায়খি।

লোয়ননা পি আই এল অসিগী এন্নেক্সর- পি/৪গী পেজ নম্বর ৫৩দা য়াওরিবা সেরিএল নম্বর-৭ (ওইনাম লুখোই)গী মতাংদা প্রোজিক্যুসন সেঙ্কসন তৌবগী রিপোর্ট হায় কোর্টকী পব্লিক প্রোজিক্যুটরনা পীরক্লবগীদমক কেস অসি থা অসিগী ১৬তা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিভিজন বেঞ্চ অসিনা দিরেক্সন পীখি।

পনবা য়াবদি, হৌজিক মিনিষ্টর ওইরবা ওইনাম লুখোই এলিয়স ইঙোগী মথক্তা পুলিসনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলিবা ক্রিমিনেল কেস অদুগী এফ আই আর নম্বর- ৫৫(৮)২০০৯ নি। কেস অসি ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন-১২১/১২১-এ/৩৪, অনলোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এমেন্দমেন্ট এক্টকী সেক্সন-২০ অমসুং এক্সপ্লোসিভ সবষ্টেন্সেস এক্টকী সেক্সন-৫কী মখাদা লৌখৎপনি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী ময়াং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা লৌখৎপা কেস অসিগী এগজিবিটশিংগী টেষ্ট তৌনবা পুলিসকী মায়কৈদগী ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরি (এফ এস এল), পাঙ্গৈদা থাখিবনি। অদুবু লেবোরেটরি টেষ্ট অসিগী রিজল্ট ফংবদা চহী খরা চঙখ্রবসু হৌজিক্তি এফ এস এল, পাঙ্গৈদগী টেষ্টশিং অদুগী এক্সপার্ট ওপিনিয়ন (রিপোর্ট)শিং মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসনদা থারকখ্রবনা কেস অসিদা এক্যুইজ অমা ওইনা চার্জ তৌরিবা হৌজিক্না মিনিষ্টর ওইরবা ওইনাম লুখোইগী মথক্তা কেস অসিগা মরী লৈননা প্রোজিক্যুসন সেঙ্কসন লৌনবগী মতাংদা হায় কোর্টকী ওর্দর অসি থা অসিগী ৯দা পীখিবনি।

দেল্লিদগী ফারকপা মসাদকী থৌপুবা অনী কোর্টনা বেল পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচএনএস): মণিপুর লৈঙাক্না ষ্টেট অসিগী স্কুল, কোলেজশিংদা সংস্কৃট লোল তমহল্লগনি হায়দুনা লৌখিবা ৱারেপ অমবু কন্দেম তৌরদুনা মমাঙ থাগী ২০দা মণিপুর ষ্টুদেন্ট এসোসিএসন দেল্লি (মসাদ) না চেরোল অমা থোক্লুবগী মায়োক্তা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমনা দেল্লিদগী ফারগা ঙরাং ইম্ফালদা পুরকখিবা এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি অনী কোর্টনা বেল পীখ্রে। অদুম ওইনমক মসাদকী মায়কৈদগী মখোয় অনীদু কোর্টনা বেল পীরবা মতুংদা পুলিসনা দিটেন তৌদুনা থমজিনখ্রে ফোঙদোরক্লি।

ঙসি চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম) ইম্ফাল ৱেষ্টনা লুপা লিশীং ২০/২০গী পর্সনেল রিলিজ (পি আর) বোনদা বেল পীখ্রবা দেল্লিগী মহৈরোয় লূপ অসিগী সেক্রেটরিশিং অদুনা থোকচোম সিংহজিৎ মৈতৈ (২০) অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ ইবোবী মৈতৈ, খাঙবোক ময়ায় লৈকায় পার্ট টু অমসুং লৈকায়সিদগী কেনেদি মোইরাংথেম (২০) অপোকপা এম গোপিরোমোননি। মখোয় অনীমক এসোসিএসন অসিগী মথংশিংনা জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি ওইবনি হায়রি।

কোর্ট অসিদা পুলিসনা ঙসি মখোয় অনীবু পুথোরক্তুনা পুলিস কষ্টদিদা থা অসিগী ১৭ ফাওবা নুমিৎ ৭নিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরকখিবনি।

মসিদা কোর্ট অসিগী এসিষ্টেন্ট পব্লিক প্রোজিক্যুটর এম জমুনাগী মায়কৈদগী মখোয়না মসাদকী মায়কৈদগী থোকখিবা চেরোল অদু পাউচে অয়াম্বদা ফোঙখিবগা লোয়ননা ফেসবুক্তসু অপলোদ তৌনরকপদগী ভাইরেল ওইরকখি। মখোয়না ফোঙদোকখিবা ৱারোলশিং অদুদা খুন্নাই অসিগী ব্রাহ্মণ অমসুং অতৈ ফুরুপশিংদা কায়হৌবগী ৱাফমশিং য়াওই। মরম অসিনা কোর্টনা মখোয়গী মথক্তা প্রাইমাফেসি লৈ হায়না লৌবীদুনা মখোয়বু পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ তৌবীনবা ৱাফমশিং সবমিট তৌখি।

অদুবু মখোয় অনীগী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেট এম চিতোলজিৎকী মায়কৈদগী পুলিসকী রিমান্দ প্রেয়র অদুবু ওবজেক্সন তৌবগা লোয়ননা মখোয় অনী কেস অসিদগী বেল পীবিনবা প্রেয়র তৌরকখি। দিফেন্স কাউন্সেলনা কোর্টতা সবমিসন তৌখিবদা মখোয় অনীমক হৌজিক য়ুনিভর্সিটি ওফ দেল্লিগী মখাদা লৈরিবা সত্যৱটি কোলেজদা বিকোম ফিফ সেমিষ্টরদা তম্লিবা মহৈরোয় ঙাক্তনি। মখোয়গী মায়কৈদগী মমাঙ থাগী ২০দা থোকখিবা চেরোল অদুগী শেংদোক চেরোল (এপোলোজি) অমসু মমাঙ থাগী ৩০দা থোকখি। লোয়ননা মখোয়গী চেরোল অদু ফুরুপ নৎত্রগা লাইনীং লম্বেল অমত্তগী মায়োক্তা নত্তে হায়নসু ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক কোর্টনা মখোয় অনীবু বেল পীখিবনি। পুলিসনা কোর্টতা সবমিট তৌরকখিবা মখোয়গী রিমান্দ প্রেয়রদা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী মণিপুর লৈঙাক্না ষ্টেট অসিগী স্কুল অমসুং কোলেজশিংদা সংস্কৃট তমহন্নবা হোৎনরে হায়বগী মায়োক্তা প্রেস রিলিজ অমা মমাঙ থাগী ২০দা থোকখিবনি। মখোয়না থোকখিবা চেরোল অদু সোসল মীদিয়াগী ৱাটসএপকী খূথাংদা ইস্যু তৌরে হায়বসি মমাঙ থাগী ২৫গী অয়ূক পুং ১১ রোম তারকপদা থেংনরকখিবনি হায়রি।

মসিদগী ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ১৫৩-এ/৫০৪/৫০৫ (২)/৩৪গী মখাদা কেস এফ আই আর নম্বর ২০২ (১২) ২০২০ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। অদুগা থা অসিগী ১দা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী অখন্নবা টিম অমা দেল্লিদা চৎতুনা মখোয় অনীবু থা অসিগী ৮গী নোংঙাল্লমদাই পুং ৪.৩০ অমসুং ৪.৪৫দা দেল্লিদগী ফাগৎলকখিবনি হায়রি।

ফারবা মখোয় অনী দেল্লিগী পটিয়ালা হাওস কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা চীফ মেত্রোপোলিটান মেজিষ্ট্রেট (সী এম এম) গী মমাঙদা পুথোক্লবা মতুংদা কোর্ট অসিদগী ত্রাঞ্জিট রিমান্দ লৌরক্লগা ইম্ফালদা পুরকখিবনি । অদুগা ঙসিনা মখোয়গী মথক্তা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলিবা কেস অসিগা মরী লৈননা পুলিস কষ্টদিদা নুমিৎ তরেৎনি রিমান্দ তৌবীনবা প্রেয়র তৌরকখিবনি।

কে বি হায়স্কুলনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরবু থাগৎলক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্টকী পাৎশোইদা লৈবা মোন্সাং লম্বীগী কৈশাম বিরজিৎ হায়স্কুল (এদেদ) গী অৱাৎ অপা খুদিংমক লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর সোরোকখাইবম রাজেননা লৈহন্দনবা হোৎনবগা লোয়ননা স্কুল অসি হেন্না চাওখৎহন্নবগীদমক থবক থৌরম কয়া পায়খৎলগনি হায়না ফোঙদোক্লম্বদা স্কুল অসিগী স্কুল মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী মেম্বরশিং অমসুং ষ্টাফশিংগী মায়কৈদগী মিনিষ্টরবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

স্কুল অসিগী অৱাৎ অপাশিং য়েংশিল্লগনি অমসুং চাওখৎনবা থবক থৌরমশিং পায়খৎলগনি হায়বা মিনিষ্টরগী ৱাফম অসি ঙরাং মহাকপু স্কুল অসিদা পাঙথোকখিবা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমদা মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবনি।

ওকপগী থৌরম অদু স্কুল মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট কে বিনোদবাবুনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবনি।

ত্রান্সফর ওর্দর ককত্রবদি জোইন্ট কম্মিটিনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচএনএস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লিবা য়াইরিপোক্কী কম্যুনিতি হেল্থ সেন্টরদা ত্রান্সফর তৌরক্তুনা জোইন তৌবা নুমিৎ তরুকনি খক্তা ঙাইরিবা ডোক্টর এম দি ফরিদ মুবারকপু লায়েংশঙ অসিদগী অমুক ত্রান্সফর তৌবগী ওর্দর থোরল্লিবা অসি য়ানীংদে অমসুং ওর্দর অসি হন্দোক্ত্রবদি অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়রি।

ৱাফম অসি য়াইরিপোক্কী তোঙান তোঙানবা ক্লব ১৬কী অপূনবা বোদি অমা ওইরিবা জোইন কম্মিটি ওন পিপলস ৱেলফ্যের, য়াইরিপোক্কী সেক্রেটরি সঞ্জয় হিদমনা থোরকখিবা চেরোল অমনা হায়বনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ডো. এম দি ফরিদ মুবারক অসি চৎলিবা কুমজা অসিগী সেপ্টেম্বর ৪দা চান্দেলগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদগী সী ঐচ সী য়াইরিপোক্তা ত্রান্সফর তৌবগী ওর্দর থোক্লুরবনি। অদুবু দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসিদগী মহাকপু রিলিজ তৌরক্তদুনা থা অহুমলোম নমশিন্দুনা থল্লবা মতুং থা অসিগী অমদা রিলিজ তৌরকখিবনি হায়রি।

মহাক্কী রিলিজ ওর্দর ফংবা নুমিৎকী মথংগী নুমিত্তা মহাক সী ঐচ সী অসিদা জোইন তৌরখিবনি। অদুবু লায়েংশঙ অসিদা থবক পুরকপা শুপ্নতগী নুমিৎ তরুকনিখক শুরকপদা ডোক্টর অসিবু সী ঐচ সী নুংবাদা অমুক হন্না ত্রান্সফর তৌরে হায়দুনা মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ওর্দর অমা থোল্লককখিবনি হায়রি। থৌওং অসি জোইন কম্মিটি অসিনা য়াবা ঙম্লোই হায়বগা লোয়ননা ত্রান্সফর ওর্দর অসি কক্ত্রবদি কম্মিটিনা অকনবা খোঙজংশিং চঙশিল্লগনি হায়রি।

‘চৎনবা য়ারোইদবা অরোনবা থৌশিল অমনি’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস) : মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর (এম য়ু সী)দা মিং চনবা য়াহল্লু হায়রিবা ফ্রিদা চলহল্লু হায়বা নত্তে। মশাগী মেরিটতা এন্ট্রান্স য়াওরগা চঞ্জখিগদবনি। এন্ট্রান্স ফাওবা য়াওহল্লোই হায়না এম য়ু সীগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন অমদি ওথোরিটিগা লৌতুনরগা শেল্লিবা প্রোস্পেক্টসকী ইলিজিবিলিটি ক্রাইটরিয়া অসি চৎনবা য়ারোইদবা অরোনবা থৌশিল অমনি হায়না জে এন মণিপুর দান্স একাদেমী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি, এস এস বি দি ম্যুজিক কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং গভর্ণমেন্ট দান্স কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরিনা পুন্না খুৎয়েক পীরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, এম য়ু সীগী হৌজিক ওইরিবা এম এ এদমিসনগী ৱাথোক অসি ওথোরিটিনা মতম অসুক য়াম্না কুইনা লৌরিবসি করি করম্বা অরোনবা এজেন্দা লৈবগীনো, ঈরাং শাগৎপা য়াম্না পান্বগীরা। য়ুনিভর্সিটিগী ফিগর ওইরিবা ইন্সটিট্যুট অহুম অসিবু এম এ মিং চনবা য়াহন্দবা অসি য়াম্না অঙকপা অতোপ্পা লমদা থেংনররোইদবা মণিপুর খক্তা থেংনবা লায়বক থিবা থৌওং অমনি।

হৌজিক এম য়ু সীনা থাংজিল্লক্লিবা খোঙথাং অসি অরানবা অমবু কুপশিন্নবা হোৎনবদা শান্নবা লীলানি। য়ু জি সীনা শকখঙদ্রবদি য়ুনিভর্সিটিদা মিং চনবা য়াদে হায়বসি কনাগুম্বা খরনা শেমজিন শাজিনবনি, মরমদি রিকগনাইজ তৌবা তৌদবা হায়বসি য়ুনিভর্সিটিনা লেপ্লগা য়ু জি সীদা খঙহনগদবা নত্তবরা। য়ুনিভর্সিটিনা হায়রিবা ইন্সটিট্যুটশিংসি য়ু জি সীদা অৱাংবা থাক্কী শক খঙহনগদবনি। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা ইন্সটিট্যুট অহুম অসিবু করেম্নবা মানবা এম য়ু সীগী থৌওং হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা কন্দেম তৌই। করিগুম্বা হীরম অমত্তদা লিটরেল কোর্স নৎত্রগা ব্রিদজ কোর্সনচিংবা তম্নবগী লৌরকপা ফিরেপ্তা য়াবা শুকঙম ঙম্লোই। মরমদি গ্রেজ্যুয়েসন লোইরবা অমদি আর্টকী লমদা দিপ্লোমা নৎত্রগা বিশার্দ পায়রবা ঐখোয়না করিগীদমক অমুক গ্রেজ্যুয়েসনদা হঞ্জিন্না তমগদৌরিবনো হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।


SHORT FILM COMPETITION ON HIV/AIDS
#KnowledgeIsBliss
For students of colleges & universities
LAST DATE OF FILM SUBMISSION 31st DECEMBER, 2020
PRIZES
1st - Rs. 50,000/-
2nd - Rs. 30,000/-
3rd - Rs. 20,000/-
For details call us at 7005131537/9612474214 or visit our website: www.manipursacs.nic.in
Follow @manipuraids
organised by:
Manipur State AIDS Control Society
To know more about HIV, call national toll free Helpline: 1097

-HL-B/6610/12,13,14